**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18.03.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৮-০৩-২০২৪,নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) অহুম শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস কোহিমদা কোহিমদা মুখ্য মন্ত্রি নাইফিউ রিওনা হৌনবি মতুং ইন্না হৌদোকখ্রে। গেমস অসিদা মনিপুরগী শান্নরোই পুন্না ২৭৬ অমসুং ওফিসিয়েল ৪৩ শরুকয়ারি।

২) অসাম রাইফলসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং তেংনৌপাল জিলাগী লোকচাউ **তু**রেল ময়াদা শারম্বা ভিলেজ ভোলুন্তিয়র অমসুং জাতিগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংগী ত্রেনিং কেম্প অমা থুগাইখ্রে হায়রি।

৩) লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কাংপোকী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা তোঙান তোঙানবা মীফম কয়ামরুম পাঙথোকখ্রে।

৪) লোক সভা মীখল মাঙওইননা ইলেক্সন কম্মীসননা ঙসি রাজ্য ৬ কী হোম সেক্রেটরি অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী দি.জি.পি লৌথোকখ্রে।

**অমসুং**

৫) লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা অসামদা ভোট খোম্বগী থবক হৌরে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

নোর্থ গেমস(এল)ঃ অহুম শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস কোহিমদা মুখ্য মন্ত্রি নাইফিউ রিওনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা হৌনবি মতুং ইন্না হৌদোকখ্রে।

। ---**সাউন্দ ম্যুজিক**--

গেমস অসিদা মনিপুরগী শান্নরোই পুন্না ২৭৬ অমসুং ওফিসিয়েল ৪৩ শরুক য়ারি। মসিদা নুপা শান্নরোই ১৬৩ অমসুং নুপী শান্নরোই ১১৩ না মশানা ১৫ দা অথোই অহেন তান্নগনি হন্দক্কী গেমস অসিদা ক্রিকেট মশান্না য়াওদ্রে। মনিপুরগী ওইনা এথেলেতিক্স , আর্চরি, বাসকেট বোল অমসুং পেনকেক সিলাটতা খ্বাইদগী মশিংনা য়াম্বা শান্নরোই থারি। গেম ভিলেজ অমসুং গেম ফেস্ত মুখ্য মন্ত্রি নেফিউ রিওনা ইরাই ন্মিত্তা হৌদোকখি। নাগালেন্দ ওলেম্পীক এসোসিয়েসননা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা গেমস অসিগী ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা আর্টিস ৩০০ হেনবনা শরুক য়ারি। থা অসিগী ২৩ ফাওবা চথুগদবা গেমস অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্য ৮ গী শান্নরোই লিশিং ২ হেনবনা তকমান ৩৪৭ কীদমক অথোই অহেন তান্নগনি। গেমস অসিদা শান্নরোই অমসুং ওফিসিয়েল পুন্না লিশিং ৪ হেনবনা শরুক য়ারি।

৩ শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা শরুক য়ারিবা মনিপুরগী শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মনিপুরগী শান্নরোইশিংনা লমদম অসিগী হৈথোই শিংথোইবা অদু উৎথোক্তুনা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিংনা তমজনিংঙাই ওইনবা হোৎনগদবনি। গেম অসিদা মনিপুরগী শান্নরোইশিংনা তকমান কয়া মরুম লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মেঘালয়দা পাঙথোকখিবা অনিশুবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ৮৫ য়াওনা পুন্না তকমান ২৩৭ লৌখি।

**রঞ্জন(এল)ঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম অমসুং শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডা:রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা রিপাব্লিক ওফ কোরিয়াগী সিওলদা পাঙথোকপা এ.আই.-দিজিতেল তেকোলোজি অমসুং ইনক্লুসিপ সোসাইতিগী ৩ শুবা মীফমদা শরুক য়ারি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: রঞ্জননা হায়- ভারত্তা হৌজিক ইন্তরনেট শিজিন্নবা মিলিয়ন ৮৫০ হেন্না লৈরে। মসিদা নত্তনা ভারতকী নাগরিকশিংগী শক্তাক চে ওইরিবা অধার মীওই কোতি ১লাখ ৩ রোমনা পায়রে। মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী ওইনা য়েংবদা ভারত্তা দিজিতেল ত্রান্সজেক্সন তৌবা অসি চাদা ৪৬ রোমনি।

**বি.জে.পি(এল)ঃ** বি.জে.পি মনিপুর প্রদেশকী ইলেক্সন মেনিফেস্তো কম্মীতিনা রাজ্য অসিগী জিলাশিং অমসুং মন্দলশিংদগী খোমগৎখিবা পব্লিক এসপিরেসন বোক্স ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি.জে.পি হেদক্বাটরসতা দলগী নেসনেল জেনেরেল সেক্রেটরি (ইনচার্জ মেনিফেস্তো )তরুন চুক্তা এল.দি.এগী চিয়রমেন এম.অসনি কুমার অমসুং এম.এল.এ আর.কে ইমোনা খুৎশিন্নখ্রে।

**কোর্ট(এল)ঃ** হায়কোর্ট ওফ মনিপুরগী চিফ-জস্তিস,জস্তিস সিদার্থ মিরদুলনা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা ঙসি রাজ ভবনদা উন্নদুনা থা অসিগী ২৩ দা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্তরদা পাথোক্কদৌরিবা হায়কোর্ট ওফ মনিপুরগী ১১ শুবা কুমওনদা শরুক য়াবিনবা বর্তন তৌখ্রে। বর্তন খুৎশিন্নবা অদুদা হায়কোর্ট ওফ মনিপুরগী জজ- জস্তিস এ.বিমোল অমসুং জস্তিস এ.গুনেস্বর শর্ম্মা শরুক য়াখি। বর্তন খুৎশিন্নবা মতুং হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহন্নবগী মতাংদা খন্নখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং তেংনৌপাল জিলাগী লোকচাড তুরেল ময়াদা শারম্বা ভিলেজ ভোলুন্তিয়র অমসুং জাতিগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংগী ত্রেনিং কেম্প অমা থুগাইখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- অসাম রাইফলসকী টিম অনিনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা থীবা হুন্থবগী থবক চখখি। অদুমওইনমক মফম অদুদা লৈরম্বা লালহৌবশিং নাম্বোক্তুনা চেনখি।মফম অদুদা ত্রেনিং তৌরম্বা অমদি ৱানা শাবা যুম কয়া মরুম লৈরম্বা থেংনখি। বঙ্কর অমদি বঙ্কর য়াওনা মফম অদুদা লৈরম্বা পোৎলমশিং অসাম রাইফলসনা মখা তানা লালহৌবশিংনা শিজিন্নবা য়াদনবা মাং তাকহনখি হায়রি। মফম অদুদগী গ্রেনেট লোঞ্চর অমসুং আই.ই.দি য়াওনা য়াম্লবা নোংমৈ অমসুং নেংমৈ মরুশিং ফাগৎপা ঙমখি। ফগৎলবা পোৎলমশিং মখা তানা আইনগী থবক লৌখৎনবা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কাংপোকী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা তোঙান তোঙানবা মীফম কয়ামরুম পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার মহেস চৌধুরিনা জাতি থাক্কী অমসুং রাজ্য থাক্কী রাজনিতি দলশিংগা ঙসি দি.দি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা মীফম পাঙথোক্তুনা মীখলগী মোদেল কোর্দ ওফ কন্দক, মেদিয়া সার্তিফিকেসন এন্দ মোনিতরিং কম্মীতি, ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর মোনিতারিং অমদি লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা শিজিন্নগদবা পোৎচৈশিংগী মমলশিংগী য়াওনা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নাখি হায়রি।

তুংদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা ইলেক্সন সাইজর মেনেজমেন্ত সিস্তেমগী মতাংদা বেঙ্কক্বী মীহুৎশিংগা ৱারি শান্নখি। ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর মোনিতারিং টিমদা য়াওরিবা ফ্লাইয়িং স্কুৱাট টিম, ষ্টেতিক সার্ভিলেন্স টিম , একাউন্তিং টিম, বিদিও সার্ভিলেন্স টিম অমসুং ভিদিও ভিৱিং টিমগসু মীফম পাঙথোকখি । অমরোমদা, এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদনা দিসপ্লেস কর্ম্মাচরিশিংগা কাংপোকপীদা লৈবা সরদর হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা মীফম পাঙথোকখি।

**এৱার্নেস(এল)ঃ** নেসনেল হোর্তিকলচর বোর্দকী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং রাজ্য অসিগী মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্দমদা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জর্ভেসন বিভাগনা শিন্দুনা শঞ্জেন থোংদা লৈবা লৌউ শিংউ বিভাগকী ফার্ম্মর্স ত্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন বিভাগকী জোইন্ত দাইরেক্তর এম.দি.জাকির হুসেন খান, নেসনেল হোর্তিকলচর বোর্দ গুৱাহাতিগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর নবানিতা বরুৱা মহন্তা, জি.বি.আর.এম এক্সিস ইম্ফাল ক্লস্তর দেনি খরতু মোনশাং য়াওনা হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন বিভাগকী জোইন্ত দাইরেক্তর এম.দি.জাকির হুসেন খাননা হায়- নেসনেল হোর্তিকলচর বোর্দ অসি ভারত সরকারনা ইং ১৯৮৪ দা শেম্বা রেজিস্তর ওতোনোমস সোসাইতি অমনি। বোর্দ অসিনা হোর্তিকলচর সেক্তর অসি হেন্না চাউখৎনবগীদমক থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। বোর্দ অসিনা অনৌবা তেকোলোজি য়াওনা হিরম কয়াদা লৌমীশিং অমসুং সার্ভিস প্রোভাইদরশিংদা মথৌ তাবা খুদিংমক ফংহন্নবা থবক থৌরম কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

**কঞ্চিপুর(এল)ঃ** কঞ্চিপুরদা লৈবা ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ ইদুকেসন, আই.আই.ই স্কুল ওফ ইদুকেসনেল তেকোলোজি এস.ই.টিনা ওল ইন্দিয়া চিল্ড্রেনস ইদুকেসনেল ই -কন্তেন্ত কম্পোজিসন ২০২৩-২৪ দা এৱার্দ ৮ ফংলক্লে হায়রি । এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদু নেসনেল কাউন্সিল ফোর ইদুকেসন রিছার্স এন্দ ত্রেনিং ন্যু দিল্লিগী কন্সটিট্যুন্ত য়ুনিট অমা ওইরিবা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ইদুকেসনেল তোকোলোজিনা শিন্দুনা নোর্থ ইষ্ট্রন রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইদুকেসন শিল্লোংদা পাঙথোকখিবনি। এৱার্দশিং অদু তোঙান তোঙানবা কেতাগোরি ৮ দা ফংলকখিবনি হায়রি।

**ত্রেদ(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা পাঞ্চয়েটকী থবক থৌরমশিং পাঙথোকবা সরকারগী অপাম্বা মীহুৎ য়েংলগা এদমিনিস্ত্রেতিব কম্মীতি শেম্বা য়ানিংদে । মসি সংবিধাননা পীবা চৎনা কাংলোন য়েংলগা মরম চাদে। লোক সভা মীখলগীদমক এদমিনিস্ত্রেতিব কম্মীতি শেমজিনবা হায়বসি মরম চাদবা থৌওংনি হায়না ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস মনিপুর ষ্টেট কম্মীতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। করিগুম্বদা পাঞ্চয়েটকী মীখল অসি পাঙথোকপা য়াখিরোই হায়না লৌবা লৈরবদি হান্নগী ইলেক্তর মেম্বরশিং অদুদা মখা তানা থবক পায়হনবিয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** পান্থৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী মীওই অহুম ফাজিনখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা পিচ এন্দ রিফোর্মেসন কম্মীতি মনিপুরনা শীন্দুনা ন্যু চেকোন্দা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। অমরোমদা, ওইনাম সওংবুংদসু থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ওইনাম সওংবুং অপুনবা মৈরা পায়বিনা শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখি।

**রিলিফ(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙাবোক্তা হাংবা রিলিফ কেম্পতা সেন্তর ফোর সোসিয়েল দিভলপমেন্ত ইম্ফাল অমসুং পিপলস এক্সন ফোর সোসিয়েল থৌবালনা নাগামাপালদা লৈবা ৩২ ওল্ড স্মাইল তেন্তেল ক্লিনিক্কা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা হেলথ কেম্প ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা অঙাংশিংগী য়াগী অনাবশিং খঙদোকবা অমসুং য়া ফানা লৈহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। কেম্প অদুদা ওর্গনাইজর অমসুং দোক্তরশিংনা অঙাংশিংগী মমা মপাশিংদা চিন-য়া ফনা থমবগীদমক লৌবা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা খঙহনখি।

**পোলো(এল)ঃ** হৈঙাংগী ইবুধৌ মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতা চথরিবা অহানবা অথোকপম গন্ধার মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল ওপন পোলো টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইমখুকল (এ) হৈঙাংনা ক্রিপসা নাওরেমথোংবু পাঞ্জল ১৪-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ব্লেক ৰাটস পোলো ক্লব বাপুপারানা অরবিন পোলো ক্লব ইরোইশেম্ববু পাঞ্জল ১৭- ২ দা থোইখি।

**ককচিং(এল)ঃ** খেল্লো ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মখাদা ককচিং জিলাদা ৰুশু ত্রেনিং পাঙথোক্কদৌরিবা অসিবু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ৰুশু এসোসিয়েসননা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। ৰুশু ত্রেনিং অসি চহি ৭তগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা শরুক য়াগনি। কেন্দ্রগী সরকারগী মখাদা পায়খৎলিবা খেল্লো ইন্দিয়ানগী প্রোগ্রাম অসিনা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোইশিংদা মতিক চাবা ইকুইপমেন্তগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**বেঙ্গোলঃ** লোক সভা মীখল মাঙওইননা ইলেক্সন কম্মীসননা ঙসি রাজ্য ৬ কী হোম সেক্রেটরি অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী দি.জি.পি লৌথোকখ্রে।

হোম সেক্রেটরি লৌথোকখ্রবা রাজ্যশিং অদুদি - গুজরাট, উত্তর প্রদেশ, বিহার, ঝরখন্দ , হিমাচল প্রদেশ অমুং উত্তরখন্দনি। মীজোরাম অমসুং হিমাচল প্রদেশকী জেনরেল এদমিনিস্ত্রেতিব দিপার্টমেন্ত (জি.এ.দি)গী সেক্রেটরিশিংসু হোংদোকখ্রে। মসিগী মথক্তা কম্মীসননা ব্রিহান মুম্বাই ম্যুনিসিপাল কম্মীসনর অমসুং এদিসনেল কম্মীস্নর অমদি দিপ্যুতি কম্মীস্নরসু লৌথোকবা হুকুম তৌখ্রে।

ইলেক্সন কম্মীসননা নোংচুপ বেঙ্গোল সরকারদা দি.জি.পি রাজিব কুমার অমসুং আই.জি.পি মীখলগা মরী লৈনদবা পোস্ত অমদা ত্রান্সফর তৌনবা খঙহনখ্রে। ইলেক্সন কম্মীসননা এদহোক্তা খ্বাইদগী সেনিয়র ওইবা পুলিস ওফিসর অমবু দি.জি.পি ওইনা হাপবা খঙহনখ্রে। মরক অসিদা কম্মীসননা নোংচুপ বেঙ্গোলগী মথংগী দি.জি.পি অমসুং আই.জি.পি ওইগদবা মতিক চারাবা মীওই ৩ গী পেনেল ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা পীরকবা খঙহনখিবা লৈরে। নোংচুপ বেঙ্গোলদা লোক সভা মীখল অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মথং থাগী ১৯ দা পাঙথোক্কনি।

মরক অসিদা, নোংচুপ বেঙ্গোল সরকারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং কান্মান্দেন্ত জেনরেল হোম গার্দ বিভেক সাহায়বু রাজ্য অদুগী অনৌবা দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হান্নগী দি.জি.পি রাজিপ কুমারবুনা ইনফোর্মেসন তেকোলোজি অমসুং ইলেক্ত্রোনিক্স দিপার্টমৈন্তদা এদিসনেল সেক্রেটরিগী থাক্তা ওফিসর ওন স্পিসিয়েল দ্যুতি ওইনা ত্রান্সফর তৌখ্রে।

**অসামঃ** লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা অসামদা ভোট খোম্বগী থবক হৌরে। সিট ১৪ গী মীখল তা�ঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্কনি । বি.জে.পি অমসুং মসিগা চুংশিন্নবা অসাম গননা পারিষট অমসুং য়ু.পি.পি.এলনা সিট ১৪ মক্তা মীরেপ থাদোক্কনি হায়রি। বি.জে.পিনা সিট ১১ দা, অসাম গানা পারিষটদা সিট ২দা অমসুং য়ু.পি.পি.এলনা সিট অমদা মীখল থেংনগনি।

মরক অসিদা কংগ্রেসনা সিট ১২ দা মীরেপ থাদোক্কনি অমসুং দ্রিবুগরদা অসাম জাত্যা পারিষটকী মীরেপ্পু শৌগৎকনি হায়না লাউথোকখ্রে। ত্রিনামুল কংগ্রেস, আম আদ্মী পার্টি , বোরো লেন্দ পিপলস ফ্রন্ট অমসুং সি.পি.আই.এমনা মখোয়গী মীরেপ ওইগদবা মীংশিং লাউথোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিস্বা শর্ম্মনা ঙসি করিমগঞ্জতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি।

মরক অসিদা বিহারদা মীখলগী থবক থৌরমশিং কনখৎপা হৌরে। রাজ্যগী সি.ই.ও- ঐচ.আর শ্রীনিবাসনা হায়- রাজ্য অসিদা মোদেল কোদ ওফ কন্দক নিংথিনা চৎনহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলে। রাজ্য অদুদা এন.দি.এ অমসুং শুংশিন্নবা দলশিংগী মরক্তা সিট য়েন্নবগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকখ্রে। এলাইন্স অসিগী মখাদা বি.জে.পিনা লোক সভা সিট ১৭ তা, জনতা দল (য়ুনাইতেদ)না সিট ১৬ তা অমসুং লোক জননা শক্তি পার্টি(রামবিলাস)না সিট ৫ দা মীরেপ থাদোক্লগনি। হিন্দুস্তাননি অৱামি মোর্চাগী লুচিংবা অমসুং হান্নাগী মুখ্য মন্ত্রি জিতন রাম মাঞ্জি অমদি রাষ্ট্রিয়া লোক মোর্চাগী লুচিংবা উপেন্দ্র খুসৱা মীখলদা মীরেপ ওইরগনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা আমেরিকাগী দিফেন্স সেক্রেটরি লোইদ ওস্তিনগা তেলিফোনগী খুত্থাংদা ঙসি ৱারি শান্নখ্রে। ৱারি শান্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা রিজনেল সেক্যুরিতি অমসুং দিফন্সে কোওপরেসন ইসুশিংগী মতাংদা কুপা ৱারি শান্নখি। মখোয়না ৱারি শান্নখিবা হৌখিবা থাগী অরোইবা চয়োলদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্দস এক্স সম্মীট অমসুং ত্রাই সার্ভিস এক্সরসাইজ টাইগর তিরুমগী মতাংদসু অুমক হন্না য়েংশিন্দুনা ৱারি শান্নখি।

## --অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --

১)অহুম শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস কোহিমদা কোহিমদা মুখ্য মন্ত্রি নাহফিউ রিওনা হৌনবি মতুং ইন্না হৌদোকখ্রে। গেমস অসিদা মনিপুরগী শান্নরোই পুন্না ২৭৬ অমসুং ওফিসিয়েল ৪৩ শরুক য়ারি।

২) অসাম রাইফলসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং তেংনৌপাল জিলাগী লোকচাউ **তু**রেল ময়াদা শারম্বা ভিলেজ ভোলুন্তিয়র অমসুং জাতিগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংগী ত্রেনিং কেম্প অমা থুগাইখ্রে হায়রি।

৩)লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কাংপোকী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা তোঙান তোঙানবা মীফম কয়ামরুম পাঙথোকখ্রে।

৪)লোক সভা মীখল মাঙওইননা ইলেক্সন কম্মীসননা ঙসি রাজ্য ৬ কী হোম সেক্রেটরি অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী দি.জি.পি লৌথোকখ্রে।

## অমসুং

৫) লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা অসামদা ভোট খোম্বগী থবক হৌরে।

## --- পাউ লোইজরে---